**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-01-2026)**

**ষ্টেটহুদ (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুরদা রাষ্ট্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু অমদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি লাল্লক্সা অদুনা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিবু ইং তপ্পা ফিভম হনজিলহন্দুনা সংবিধানগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎহন্নবা চপ চানা লেপলি হায়বদু তাক্লে।

মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবা নুমিৎ ষ্টেটহুদ ডে ২০২৬ গী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। অহানবা মনিপুর রাইফলস পেরেড গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা রাজ্যপালনা হায়-ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু ইকায় খুমবা অমদি থাজবা থমদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরবা মতমদতা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাং চাউশিনবা ঙমগনি। কাংলুপ মশেলগী খেৎনবা লৈতনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয় পুমমক্কী থৌদাং চংই। মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইখিবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী গনতন্ত্রনা পীবা হক, মনিপুরগী শক্তম, পুৱারী অমদি অমত্তা ওইবা মীয়ামগী খোল্লাউ ময়েক শেংনা তাক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মনিপুরগী মীয়ামদা পারকপা য়াইফ পাউজেল, রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা পাথোক্লদুনা হায়-ভারতকী নীংতম ইহৌদা মনিপুরনা অচৌবা মফম কন্দুনা লাকখি। মদুগী খুদম হায়ববু নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা রাজ্য অসিদা অজাদ হিন ফৌজগী ফিরাল ইহান হান্না চিংখৎখিবা অসিনি। মমাং চহিদা মহাকা মনিপুরদা লাক্লম্বা অদুদা ইম্ফাল অমদি চুরাচান্দপুরদা নোং-চিংগী ফিভম ফৎত্রবসু মহাকপু হরাও তয়ামা ওকপীরম্বা অদু নীংশিংদুনা লৈরি। কেন্দ্র সরকারনা ইং কুমজা ২০১৪ দগী হৌনা রাজ্য অসিদা পীবা চাউখৎ থৌরাংগী শেন্থং হেনগৎহন্দুনা তোঙান তোঙানবা

থৌরাং কয়া পায়খৎপা ঙমখি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

মনিপুরনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবা নুমিৎ ষ্টেটহুদ ডে ২০২৬ দা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা নিংথিজরবা মার্চ পাস পেরেদ অমগী সলামি ওকখি অমসুং মনা মথুম কয়া য়েন্থোকখি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভল্লানা ইম্ফালগী কংলা নোংপোক তোর্বানদা জাতিগী নীংশিং ফিরাল চিংখৎখি।

অৱাং নোংপোক লমদমগী অতোপ্পা রাজ্য অনি-মেঘালয় অমসুং ত্রিপুরাসু ঙসি মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবা নুমিৎ ষ্টেটহুদ ডে পাঙথোক্লি। রাজ্যশিং অসিদা সরকারগী ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি ।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** মনিপুরদা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদগী হৌরগা চহি মঙা ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংগী পোকপগী সার্টিফিকেট শিজিন্নদুনা অধার রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী য়ারগনি। ঙসি রাজ্যগী থাক্তা বর্থ রেজিষ্ট্রেসন বেস অধার এনরোলমেন্ট (বি.আর.বি.এ.ই) সার্ভিস ইম্ফালগী লোক ভাবনদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হৌদোকখিবনি।

থৌরাং অসি চাইল্ড এনরোলমেন্ট লাইট ক্লাইন্ট (সি.ই.এল.সি) হায়রিবা মোবাইল এপ্লিকেন অসি শিজিন্নরগা তৌবা য়ারগনি। পুন্না হকশেলগী লোইশঙ ৩১ খনগৎতুনা বি.আর.বি.এ.ই. থৌরাং অসি পায়খৎকনি। অদুগাঅহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা হকশেলগী লোইশঙ ২৩ দা মসিগী খুদোংচাবা থল্লগনি হায়রি। মসিনা পোকপগী সার্টিফিকেট অমদি অধার এনরোল তৌবদা খুদোংচাহল্লগনি।

**রাইস (এল)ঃ** কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পায়খৎপা থৌরাংগী মনুং চন্না পুথোকপা হোপ গ্রাউন্দ ব্লেক রাইস ঙসি রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা লোক ভাবনদা হৌদোকখ্রে।

কাংপোকপীদা লৈবা লাঞ্জেন্নরিবা ইমুংশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা মখোয়গী শেন্মীৎলোন লৈহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পায়খৎখিবনি।

থৌরমদুদা রাজ্যপালনা হায়-অসিগুম্বা থৌরাং অসি অতোপ্পা জিলাশিংদসু পায়খৎপা ঙমবা হোৎনবা তঙাইফদে। অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা লাঞ্জেন্নরিবশিং শেন্থোক লৈহনবতা নত্তনা মরোমদোম লেপচবা ঙমহল্লগনি।

**বস (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা ইন্টর ষ্টেট বস টার্মিনস (আই.এস.বি.টি) হয়েংদগী অমুক হন্না মথৌ তৌবা হৌরগনি। দাইরেক্তর ত্রান্সপোর্টকী চেরোল অমনা হায়-হয়েংদগী আই.এস.বি.টি. অসিদগী তোঙান তোঙানবা লম্বী ১২ দা বস সার্ভিসশিং হৌরগনি। মফমশিং অদুদি-ইম্ফালদগী তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, ৱাবগাই, শুগ, য়াইঙংপোকপী, চান্দেল, লৈশাংথেম, মোইরাং, ককচিং অমদি ইম্ফালদগী য়াইরিপোকনি।

মীয়ামনা বস অসি আই.এস.বি.টি. খুন্মন লম্পাক, ইম্ফাল অমসুং এম.এস.টি. পার্কিং, এপোলো বজার তমেংলোংদগী তোংবা য়াগনি।

টিকেৎশিং বস কন্দক্তরদগী ইলেক্ট্রোনিক টেকেৎতিং মেছিন নৎত্রগা ওন লাইন বুক্কিংদা ফংগনি। মোবাইল এপ-স্তার বস মনিপুরদগীসু টিকেৎ ফংগনি। মমলনা মী অমদা লুপা ৩৩০ ওইগনি।

**বার্দ (এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী ফোরেষ্ট বিভাগ, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ, লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতিনা পুন্না শিনদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম রামসার সাইটসু ওইরিবা লোক্তাক পাৎতা ঙসিদগী উচেক মশিং থিবা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদু লোক্তাক অমসুং অকোইবগী পাৎশিংদা মীরমদগী লমশাং

পাইরকপা উচেকশিং মশিং থিবগী থবক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা হৌদোকখিবনি।

এসিয়ান ৱাটর বার্দ সেন্সস ২০২৬ চথরিবা অসিদা ঙসি লোক্তাক পাৎ অমসুং তাংজেংগী মফম ৫০ দা মশিং থিখি অমদি হয়েংনা সেন্ট্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা কোল্লিবা ৱেটলেন্দগী মফম ৩৫ দা ঈশিংদা তাবা উচেকশিংগী মশিং থিগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ কঞ্জারভেটর-লোংজম জয়কুমারনা হায়-ৱাটর বার্ডশিং অসিনা লৈরিবা ৱেটলেন্দশিং অসিগী ইকোলোজিকেল হেলথ মেন্টেল তৌবদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরিবনি।

উচেক মশিং থিবগী থবক অসিদা দি.সি.এফ. পার্ক এন্দ সেঙ্কচুরি-অমিত কালের, দি.এফ.ও. বিষ্ণুপুর-ৱাইখোম রোমাবাই, মনিপ্র বার্ড ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট-কুমাম যুগেশ্বর সিংহ শরুক য়াখি।

**রোড (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদসু ৩৭ শুবা রোড সেফতি থাবুমগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবামগী মীৎয়েং মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকখ্রে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা ইরাবত ষ্টেচুগী মনাক্তা গাড়ি মচা থৌদুনা লাকপা হেলমেট উপ্তুবা মীওই কয়াবু রোড সেফতিগী মরমদা খঙহনবগা লোয়ননা লেমা হেলমেট য়েন্থোকখি অমদি তুংদা হেলমেট য়াওদনা অমদি ড্রাইভিং লাইসেন্স য়াওদনা গাড়ি মচা থৌদনবসু খঙহনখি। ড্রাইব অদুদা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমার, এ.দি.সি.-টি.ঐচ. মনোরঞ্জন, এস.পি. প্রকাশ পান্দে, দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার-এম. বিকাশ অমদি অতৈ ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু ৩৭ শুবা রোড সেফতি থাবুম, দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সড়ক সুরক্সা অভিয়ান হায়বা হীরমদা দিষ্ট্রিক্ট রোড সেফতি

কমিতি-চান্দেল, দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিস অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চাপ্তে দলনা খুৎশমদুনা শিনবা থাবুম অমা চখগদবা কেম্পেইন অসিদা রোড সেফতিগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনখি। কেম্পেইন অসিগী মখাদা মীয়ামদা পমপ্লেট য়েনবা য়াওনা হেলমেট অমদি সিট বেল ফাবগী কান্নবা ৱাফম কয়া খঙহনখি।

দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসার-চান্দেল লৈশাংথেম জোন্সননা কেম্পেইন অসিগা মরী লৈননা মীয়ামদা ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাকা চৎনবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি।

**এমশু(এল)ঃ** ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না কেম্পেইন ফোর টোটেল এদুকেসনগী শরুক অমা ওইনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাকপা সি.য়ু.ই.টি (ক্বেইট) এন্ত্রান্স ইগজামগী মাংওইননা শিনবা কোচিং ক্লাস ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

এমসু হেদক্বাটরগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টুদেন্টস ৱেলফিয়ার কমিতি, এম.য়ুনা শিনদুনা নুমিৎ ৪৫ নিগী ওইবা কম্মন য়ুনিভরসিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট, পোষ্ট গ্রেজ্য়েট (ক্বেইট-পি.জি) ২০২৬ গী এন্ত্রান্স ইগজামগী কোচিং অসি জি.পি. ৱিমেন কলেজতা হৌদোকখিবনি।

কোচিং অসিদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট এক্সপার্টশিংনা অপুনবা সবজেক্ট ১৬ তা মহৈরোইশিংদা তাকপী তন্বীগনি অমদি সবজেক্ট মেটরিয়েল কয়াসু পীগনি হায়রি।

**এদমিট (এল)ঃ** হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ২০২৬ কী এদমিট কার্ডশিং দাউন দলোদ তৌবা য়ারগনি হায়না বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

বোর্ড অসিগী মখাদা লৈবা স্কুলশিংনা ৱেবসাইট-ডব্লিয়্.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট

ঐচ.এস.এল.সি. পোরটেল দোট বোসেম দোট ইনদগী দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি।

**পেন্সনঃ** অতল পেন্সন য়োজনা, শেনবা চহি ২০৩০-৩১ ফাওবা চথবা কেন্দ্র সরকারনা ঙসি য়াখ্রে। লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অমসুং মসিবু পাম হন্নবা থবকশিংবুসু ফন্দিং তৌবগী মতম শাংদোক্লে।

স্কিম অসি অন ওর্গনাইজ সেক্তরদা লৈবা শিন্মীশিংগী আই শোয়দনা লৈহন্নবা ইং কুমজা ২০১৫ গী মেদা হৌদোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা ঙসি ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

**ইলেক্সনঃ** চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীখল পাঙথোকপা গনতন্ত্রদা বুথ লেবেল ওফিসারশিং অসি তঙাইফদবা য়ুন্বীনি। মহাকা ঙসি ন্যু দিল্লিদা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স ওন দিমোক্রেসি ইলেক্সন মেনেজমেন্ট-২০২৬ তা ৱা ঙাংখি।

শ্রী কুমারনা হায়-ভারত অসি গনতন্ত্রগী মমানি। অদুনা গনতন্ত্র মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক ভোট থাদবা য়ারবা মী খুদিংমক ইলেক্তোরেল রোলদা শোয়দনা মিং য়াওহনবা হায়বসি তঙাইফদে।

নুমিৎ হুমনিগী মীফম অসি গনতন্ত্র অমসুং মীখল শিল-লাংবগী লমদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা মালেমগী মীফম ওইরগনি। মীফম অসিদা লৈবাক ৭০ হেনবদগী মীহুৎ ১০০ রোমনা শরুক য়ারি।

**ইয়ারঃ** ইয়ার চীফ মার্সেল-অমর প্রিত সিংহনা হায়রি-লান্মীগী শক্তি হেনগৎহনবা অমসুং শক্তি অদু শিজিন্ননবগী ফিরেপ লৈবা তঙাইফদে।

ন্যু দিল্লিদা নেসনেল সেক্যুরিতিগী মতাংদা পাঙথোকপা ২২ শুবা

শুব্রোতো মুখর্জি সেমিনারদা ৱা ঙাংবদা ইয়ার চীফ মার্সেলনা হায়-লান্মীগী শক্তি হায়বসিনা জাতি অমগী শক্তিগী অমত্তা ঙায়রবা শক্তম ওইনা লেপ্পী। মহাকা হায়-লান্মীগী শক্তিনা নীংতম্বগী টেকোলোজি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফংহল্লি অমসুং লৈবাক অমগী দিপ্লোমেসিদা মতিং লৈহল্লি।

**উদায়নঃ** রাস্ত্রপতি ভবন কমপ্লেক্সতা লৈবা অমৃত উদায়ন ফেব্রুৱারী অহুমদগী চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবা মীয়ামগীদমক হাংলগনি।

লৈকোল অসি অয়ুক পুং ১০ দগী নুংমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা হাংগনি। লৈকোল অসি মেন্টিনেন্সকীদমক নিংথৌকাবা নুমিৎতা থিংগনি অদুগা মার্চ মরিদনা হোলিগীদমক থিংগনি। মসিদা মীপুম খুদিংমকা লেমা চংবা য়াগনি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসতা ফেব্রুৱারী ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা মীরৈবাক্তা লৈখিবা বঙ্গলাদেস মচাশিংগী পোষ্টেল ভোটিং সিষ্টেমদা অচুম্বা তৌরক্কনি অমসুং অরোনবা ঙাক্কনি হায়বগী থাজবা ৱাৎলি হায়না রাজনিতি দলশিংনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে।ধাকাদা ইলেক্সন কম্মিসননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা বি.এন.পি. য়াওনা বিরোধি লুচিংবশিংনা মীরৈবাক্তগী থারকপা পোষ্টেল বেলোটকী ভাইরেল ইমেজশিং পুথোক্লদুনা বেলোট সেক্যুরিতি অমসুং অরোনবা ঙাকপদা অশোয়বা কয়া লৈরে হায়না মরাল শিখি।

**য়ুএসঃ** ৱাশিংটননা গ্রীনলেন্দ লৌশিন্নবা হোৎনরকপগী উংখৎনবা মরক্তা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-ইমান্যুয়েল মেক্রোননা প্রস্তাব তৌরকপা জি-সভেনগী অথুবা মীফমদা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্প য়াউ হায়বা য়াখিদ্রে।হ্বাইট হাউসতা মহাক া অনিশুবা টার্মগী রাস্ত্রপতি ওইরকপগী চহি অমা মপুং ফাবা থৌরমগী ৱা ঙাংবদা শ্রী ত্রম্পনা হায়-শ্রী মেক্রোননা লৈবাক অদুগী লুচিংবা ওইবগী মতম লোয়শিল্লক্লে হায়না মহাকা থাজৈ। অদুনা, মহাক মীফম অদু য়াওরোই।

**ক্রিকেটঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন (এম.এন.সি.এ) গী নৌনা থৌ পুগদবশিং ঙসি খনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলদা এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা নোংথোম্বম জিকো মীতৈনা মায় পাকখি। ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা ব্রজাবাসিময়ুম বিশ্বজিৎ শর্ম্মা, সেক্রেটরি ওইনা লাইরেঞ্জম গীতরঞ্জন, জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা সয়দ মুজিবুর রহমন, ট্রেজরর ওইনা চোংথাম নিশিকান্ত সিংহ অমদি কমিতি ওফ মেনেজমেন্টকী মেম্বর ওইনা ঙাঙোম জয়চন্দ্র মায় পাকখি।

**ফুটবোলঃ** ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা নোর্থ ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-ফুটবোল ক্লব-লমজাউনা ত্রকপু-নম্বোলবু পাঞ্জল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি। অহুমশুবা মেটচতনা-রাহি য়ু.সিবু এফ.সি. রেংদাইনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

**ফুটবোলঃ** হিদাম ধঞ্জয় মীতৈ মেমোরিএল অহানবা ষ্টেট লেবেল নাইন মেন এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা গোর্ল্ডন এফ.সি. কিয়ামগৈনা কে.এম.ৱাই.এফ.সি. কিয়ামগৈ মুস্লিমবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা-অপুনবা অরাপতি এফ.সিনা উয়োল এফ.সি. লংদুমবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

**পোলোঃ** ওল মনিপুর পোলো এসোসিয়েসননা শিনদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চত্থরকখিবা ৩৯ শুবা মেন্স ষ্টেট লেবেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী মপু এক্স-পোলো ক্লবনা ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এক্স

পোলো ক্লবনা এ.আর. পোলো টিম (এ) বু পাঞ্জল ৭-৪ দা মায়থিবা পীখি।